# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, TUESDAY, NOVEMBER 20, 2018 PAGE 7




ফ্রান্সকী হিরবর্ট অমসুং মাহুটপু মায়থিবা পীরল্লগা এটিপি ফাইনেলসকী নুপাগী দবলসকী টাইটল লৌখ্রবা য়ুএসএগী পেয়র মাইক ব্রাইন অমদি জেক সোক

স্বিটজরলেন্দদা শেঞ্জা-থুমজা চখখি হায়বগীদমক ইন্টরনেসনেল ওলিম্পিক কমিতিগী মথৌদগী মতম খরগী লৌথোকখ্রবা ৱার্ল্ড স্পোর্টসকী পৱারৱ্রোকর ক্লেটকী সৈখ অহমদ



# ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া চাহল, পিঙ্কি রানি অমসুং সিমরনজিট কোর ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, সাৱিটি বুরা লৈহৌরে

*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ১৯ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্ফু ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা লৈবাক অসিগী বোক্সর সোনিয়া চাহল, পিঙ্কি রানি অমসুং সিমরনজিট কোর ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে। সাৱিটি বুরা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরে।



*ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া চাহল (ওই) না বলগেরিয়াগী ষ্টানিমিরা পেত্রোভাদা থিংনখিবা পঞ্চ*

ৱুমেন্স ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৫৭কী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া চাহলনা মমাঙদা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী চেম্পিয়ন ওইরম্লবী বলগেরিয়াগী বোক্সর ষ্টানিমিরা পেত্রোভাবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা তৌনরবা মতুং পোইন্ট ৩-২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি।

ইন্দিয়াগী বোক্সর সোনিয়া চাহলনা ক্বার্টর ফাইনেলদা হয়েং কলম্বীয়াগী বোক্সর এরিয়াস কাষ্টেনাদা য়েনি মার্সেলাগা থিন্নরগনি।

কেজি ৫১গী কেটেগোরিদা শরুক য়াখিবী অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর পিঙ্কি রানিনা ঙসি থিন্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা ইংলেন্দগী বোক্সর এলিস ইবোনি জোন্সপু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা নোর্থ কোরিয়াগী বোক্সর পেঙ চোল মিগা থিন্নরগনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর সিমরনজিট কোরনা কেজি ৬৪গী কোটেগোরিদা শরুক য়াদুনা ঙসি থিন্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা স্কোটলেন্দগী মেগান রেদপু পোইন্ট ৫-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা কেজি ৭৫গী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা ইন্দিয়াগী বোক্সর সাৱিটি বুরা পোলেন্দগী বোক্সর ইলজ বিয়েটা ৱোজকিককী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমদনা লৈহৌখি।

নীংশিংবা য়াবদি সাৱিটি বুরা কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা কেজি ৮১দা শরুক য়াখিবদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবী বোক্সরনি।

সরিতা দেবী অমসুং সাৱিটি বুরা মায়থিহৌবা অসিদা ইন্দিয়াগী কোচ সিব সিংহনা রেফরিগী দিসিজন অদুদা ৱাহং হংখ্রে।

নীংশিংবা য়াই সরিতা দেবী ঙরাং পাঙথোকখিবা কেজি ৬০ গী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা আয়রলেন্দগী বোক্সর কেলি হরিংটনগী মখূত্তা য়াম্না নক্নবা স্কোর ২-৩ দা মায়থিহৌবনি।

# থাইলেন্দগী কুনলাভুট অমসুং মালেসিয়াগী ৱৈনা ৱার্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপকী নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল ফংখ্রে

*মাক্রাম, নবেম্বর ১৯ঃ*

কানাদানা য়ুম্ফু ওইদুনা লৈবাক অসিগী সিটি মাক্রামদা চথরকপা বেদমিন্টন জুনিয়র ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা থাইলেন্দগী কুনলাভুট ভিটিদসার্ননা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে, নুপীগী সিঙ্গলস টাইটলনা মালেসিয়াগী গো জিন ৱৈনা ফংখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপামচাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ থাইলেন্দগী কুনলাভুট ভিটিদসার্ননা জপানগী কোদাই নারাওকাবু ষ্ট্রেট গেমদা মায়থিবা পীরম্লগা টাইটল লৌখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা থাইলেন্দগী কুনলাভুটনা জপানগী কোদাইবু ২১-৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা জপানগী কোদাইগী মায়কৈদগী লম্বা খরা পীবা ঙমখ্রবসু থাইলেন্দগী কুনলাভুটনা হিরম খুদিংমক্তা লাকশিন্দুনা শান্নখিবদগী গেম অদুসু ২১-১১ দা থোইদুনা কাঙলুপ অসিগী টাইটল লৌখি।

ৱার্ল্ড জুনিয়র বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী মালেসিয়াগী গো জিন ৱৈনা ১৩শুবা সিদেদ দেনমার্ককী লিনে খৃষ্টোফরসেনবু ষ্ট্রেট গেমদা থোইরম্লগা টাইটল ফংখি।

মেটচ অসিগী অহানবা গেমদা দেনমার্ককী লিনেগী মায়কৈদগী লম্বা খরা পীরক্লবসু মালেসিয়াগী ৱৈনা ২১-১৩ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেমদা মালেসিয়াগী গো জিন ৱৈনা অমুক্কা হেন্না ফজনা শান্নরক্কুনা দেনমার্ককী লিনে খৃষ্টোফরসেনবু য়াম্না লায়না ২১-১১ দা থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল লৌবা ঙমখি।

# *নেসন্স লীগঃ* হরিস সেফেরোভিসকী হেটেট্রিকনা স্বিটজরলেন্দনা বেলজিয়মবু পাঞ্জল ৫-২ দা থোইবা ঙমখ্রে, হঙ্গেরি অমসুং ওষ্ট্রিয়াসু মায় পাকখ্রে

*লোজেন, নবেম্বর ১৯ঃ*

য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা চথরিবা নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা হরিস সেফেরোভিসকী হেটট্রিকনা স্বিটজরলেন্দনা বেলজিয়মবু পাঞ্জল ৫-২ না মায়থিবা পীখ্রে, ওষ্ট্রিয়া অমসুং হঙ্গেরিসু মখোয়-মখোয়গী লীগ মেটচশিং মায় পাকখ্রে।



*স্বিটজরলেন্দ অমসুং বেলজিয়মনা শান্নখিবা মেটচ*

নেসন্স লীগ অসিগী লীগ বি গ্রুপ থ্রিগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা স্বিটজরলেন্দনা বেলজিয়মবু পাঞ্জল ৫-২ দা মায়থিবা পীরম্বনি। শান্নবগী ২শুবা অমদি ১৭শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোই থোরগান হজার্দনা পাঞ্জল অনী চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তানা শান্নরকপদা স্বিটজরলেন্দগী শান্নরোইশিংনা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংবু খুদুম চন্দুনা থমখি। ২৬শুবা মিনটতা স্বিটজরলেন্দনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা রিকার্দো রোড্রিগেজনা পাঞ্জল অমা চনখি। স্বিটজরলেন্দগী অতোপ্পা শান্নরোই হরিস সেফেরোভিসনা শান্নবগী ৩১ অমসুং ৪৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল অনী চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা স্বিটজরলেন্দনা বেলজিয়মবু পাঞ্জল ৩-২ দা হেন্দুনা লৈখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা স্বিটজরলেন্দগী অতোপ্পা শান্নরোই নিকো ইলভেনিনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৮৪শুবা মিনটতা হরিস সেফেরোভিসনা মহাক্কী হেটট্রিক পাঞ্জল চন্দুনা বেলজিয়মবু ৫-২ দা মায়থিবা পীরমখি।

নেসন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ বি গ্রুপ থ্রিগী মেটচ অমদা ওষ্ট্রিয়ানা নোর্দন আয়রলেন্দবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখি। অহানবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৪৯শুবা মিনটতা ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোই জেভর স্কলাগরনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থারবা মতুং ৫৭শুবা মিনটতা নোর্দন আয়রলেন্দগী কোরি ইভান্সনা পাঞ্জল অমা অমুক চন্দুনা ১-১ দা মান্নখি।

শান্নবগী অরোইবা মিনটতা ওষ্ট্রিয়াগী শান্নরোই ভেলেন্টিনো লাজারোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না নোর্দন আয়রলেন্দবু ২-১ দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ সি গ্রুপ টুগী মেটচ অমদা হঙ্গেরিনা ফিনলেন্দবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীখি। শান্নবগী ২৯শুবা মিনটতা হঙ্গেরিগী শান্নরোই এদাম জলাইনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্লবা মতুং ৩৭শুবা মিনটতা টিমমেট এদাম নেগিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না ফিনলেন্দবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।


**Reena Physiotherapy Clinic**

*YUMNAM LEIKAI, INDO-MYANMAR ROAD, IMPHAL WEST*

**Treatments**
- Fracture
- Frozen Shoulder
- Back Pain
- Knee Pain
- Arthritis, (Hip, Knee, Joints, Gout, Fracture, Paralysis, Bell's Palsy)

**Instruments**
- Tense
- Ultrasound
- IFT
- Traction
- Wax Therapy
- Hot Pack
- Pully
- Shoulder wheel
- Ladder
- Swiss Ball

অসিনচিংবা Instrument শীজিন্নদুনা হায়রিবা মখলশিং অসি লায়েংজরি।

Sunday Open
8 AM. to 12 Noon.

Home visit কী খুদোংচাবা লৈজগনি।

Visiting Hours
8 AM. to 12 Noon. and 3 PM. to 7PM.

*Please Contact:*
Dr. Moirangthem Reena Devi (BPT)
Phone No. 9774980552 / 8974282395

SL/BILL/Alt/30 Days upto 20 Dec.18


# আইসিসি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড টি-২০ দা ইংলেন্দ ৱেষ্ট ইন্দিজগী মখূত্তা মায়থিহৌদুনা গ্রুপকী ২শুবা তাদুনা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগা শান্নরগনি

*প্রোভিদেন্স, নবেম্বর ১৯ঃ*

ৱেষ্ট ইন্দিজনা য়ুম্ফু ওইরগা চথরিবা আইসিসি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড টি-২০গী গ্রুপ 'এ'গী ৪শুবা মেটচ অমদা ইংলেন্দ ৱেষ্ট ইন্দিজগী মখূত্তা ৱিকেট ৪ দা মায়থিহৌবদগী অনীশুবা পোজিসন তাদুনা সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগা থেংনরগনি।



*ৱেষ্ট ইন্দিজগী ওপনর দিন্দ্রা দোট্টিননা সিক্স থোমখিবা মতাং*

ইংলেন্দ অমসুং ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস ৱেষ্ট ইন্দিজনা ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ইংলেন্দনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস তৌরকপদা ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা শুপ্পগী রন ১১৫ খক লৌবা ঙমখি।

ইংলেন্দগী অপুনবা স্কোর ৫০ শুরকপদা ৱিকেট ৬ তুখি। মদুদা ওপনর ওইখিবী টেম্মী বিমোন্টনা বোল ২৮ মায়োক্নবদা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৩ লৌরমখি।

অতোপ্পা বেটসৱুমেন ৫ দি রন ১০ য়ৌবা ঙমদনা আওট ওইখিবনি। ৭শুবা বেটসৱুমেন সোফিয়া দংক্লি ব্রাউননা রন ৩৫ লৌখিবা অদুনা টিম অসিগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি। ৮শুবা বেটসৱুমেন এনিয়া শ্রুবসোলনা রন ২৯ লৌরম্বা অদু টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজগী বোল্লর সাকেরা সেলমান অমসুং দিন্দ্রা দোট্টিননা ইংলেন্দগী ৱিকেট ২ / ২ লৌবা ঙমখি।

ৱেষ্ট ইন্দিজনা মায় পাক্নবগী রন ১১৬ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ২০শুবা ওভরগী ৩শুবা বোলদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১১৭ লৌখিবদগী মেটচ অদু ৱেষ্ট ইন্দিজনা ইংলেন্দবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীখি।


ৱেষ্ট ইন্দিজগী ওপনর দিন্দ্রা দোট্টিননা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ৫২ মায়োক্নবদা সিক্স ৪ অমসুং ফোর অমা য়ৈরগা রন ৪৬ লৌরম্বা অদুনা টিম অসিগী খ্বাইদগী য়াম্বা স্কোর ওইখি।

৪শুবা বেটসৱুমেন সেমেন কেম্বেলনা বোল ৪২ দা সিক্স অমা অমসুং ফোর অমা য়ৈরগা রন ৪৫ লৌরম্বা অদুনা টিম অসি মায় পাকপদা চাওনা মতেং পাঙখি। অতোপ্পা ৱেষ্ট ইন্দিজগী বেটসৱুমেনশিং রন ১০ য়ৌনা লৌবা ঙম্বা অমত্তা য়াওখিদে।

# জর্মনিগী জ্বেরেভনা এটিপি ফাইনেলসকী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে য়ুএসকী মাইক ব্রাইন অমসুং জেক সোকনা দবলসকী টাইটল ফংখ্রে

*লন্দন, নবেম্বর ১৯ঃ*

ইংলেন্দগী কোনুং লন্দনদা চথরকপা এটিপি ফাইনেলসকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থিবা পীরম্লগা সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে, য়ুএসএগী পেয়র মাইক ব্রাইন অমসুং জেক সোকনা দবলসকী টাইটল ফংখ্রে।



পনবা য়াবদি এটিপি ফাইনেলস অসিগী মমাঙদা শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ২শুবা সিদেদ স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররবু ষ্ট্রেট সেট ৭-৫, ৭-৬(৭-৫) দা থোইরম্বনি। অদুগা সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোভিসনা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা ৪শুবা সিদেদ কেভিন এন্দরসনবু ৬-২, ৬-২ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেটতা জ্বেরেভ অমসুং জোকোভিসকী মায়কৈদগী হৌরকপদা লম্বা মান্ননা শান্নরকখি। মখা তানা শান্নরকপদা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা ফজবা হেনখিবদগী জোকোভিসকী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌরগা ৬-৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

ফাইনেল মেটচ অসিদা সেট অমা মাঙজিল থাখ্রবা জর্মনিগী আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা অনীশুবা সেটতা সর্ভিয়াগী শান্নরোই নোবাক জোকোভিসকী সার্ভিস গেম অমা য়াম্না ঙন্না ব্রেক তৌখিবগী খুদোংচাবা লৌদুনা সেট অদু ৬-৩ দা থোইদুনা এটিপি ফাইনেলসকী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

এটিপি ফাইনেলস অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা দবলসকী ফাইনেল মেটচতা য়ুএসএগী ৫শুবা সিদেদ পেয়র মাইক ব্রাইন অমসুং জেক সোকনা ৮শুবা সিদেদ পেয়র ফ্রান্সকী পিয়েরি হুগেস হর্বর্ট অমসুং নিকোলাস মাহুটপু সেট ২-১ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।

দবলসকী ফাইনেল মেটচ অসিগী অহানবা সেট ফ্রান্সকী পেয়র হর্বর্ট অমসুং মাহুটনা য়ুএসকী পেয়র অদুবু ৭-৫ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা সেটতা য়ুএসকী পেয়রনা য়াম্না ফজনা শান্নখিবদগী ফ্রান্সকী পেয়র অদুবু য়াম্না লায়না ৬-১ দা থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদু সেট অমমম মান্নখি।

দিসাইদিং সেট ওইখিবা সুপর টাই ব্রেক্তা পেয়র অনীগী মায়কৈদগী য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরবা মতুং য়ুএসকী পেয়র মাইক ব্রাইন অমসুং জেক সোক ফ্রান্সকী হর্বর্ট অমসুং মাহুটপু ১৩-১১ দা থোইদুনা কেটেগোরি অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখি।

# জপানন্না সাউথ অফ্রিকাবু পাঞ্জল ৬-০ দা মায়থিবা পীখ্রে, কানাদানা সাউথ কোরিয়াবু ২-০ দা থোইখ্রে, স্পেন অমসুং কলম্বীয়া পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে

*মাল্ডোনাদো, নবেম্বর ১৯ঃ*

উরুগ্বেনা য়ুম্ফু ওইদুনা পাঙথোক্লিবা নুপীগী চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোলদা জপানন্না সাউথ অফ্রিকাবু পাঞ্জল ৬-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। কানাদানা সাউথ কোরিয়াবু ২-০ দা থোইখ্রে, স্পেন অমসুং কলম্বীয়া পাঞ্জল ১-১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।



*জপানগী শান্নরোইশিংনা সাউথ অফ্রিকাগী মায়োক্তা পাঞ্জল চন্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোমিন্নবা*

য়ু-১৭ ৱুমেন্স ফিফা ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা গ্রুপ 'বি' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জপানন্না সাউথ অফ্রিকাবু পাঞ্জল ৬-০ দা য়াম্না হেনবা মওংদা মায়থিবা পীখি।

মেটচকী ৪শুবা অমসুং ২৩শুবা মিনটতা জপানগী শান্নরোই হারুকা ওসৱালনা পাঞ্জল অনী চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি। মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা জপানগী অতোপ্পা শান্নরোই টোমোকো টানাকানা পেনাল্টি অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা হাপচিনবা ঙমখি। ৪১শুবা মিনটতা জপানগী সারানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৪-০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫৫ শুবা মিনটতা জপানন্না ফংখিবা পেনাল্টি অমদা সারা ইটোনা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লগা মেটচকী ইনজুরি টাইমগী অহানবা মিনটতা টিম অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই য়ুজুকি য়ামামোটোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৬-০ দা মায় পাকখি।

ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ 'দি' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা কানাদানা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি। কানাদাগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু শান্নবগী ৫৯ অমসুং ৭৪শুবা মিনটতা হুইটেমা অমসুং কাজান্দজিয়াননা চনখি।

গ্রুপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা কলম্বীয়া অমসুং স্পেন পাঞ্জল ১-১ দা দ্রো চৎখি। মেটচকী অহানবাপাঞ্জল অদু শান্নবগী ৫২শুবা মিনটতা স্পেনগী মাবেলনা চন্লবা মতুং ইক্কেলাইজর অদুনা ৫৩শুবা মিনটতা কলম্বীয়াগী শান্নরোই রোৱ্লেদোনা চনবা ঙমখি।

ৱার্ল্ড কপ অসিগী গ্রুপ 'সি' গী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা কেমেরুনন্না জর্মনিবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি। মেটচকী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৫৪শুবা মিনটতা কেমেরুনগী শান্নরোই কামেনিনা চনখিবনি।